# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-07-2025)**

**ইভিক্সন (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগী ইয়ারপোর্ট ফাওবগী লন্বীগী নাক য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু য়াওনা মরী লৈনবা বিভাগনা ঙসি অয়ুক্তগী তকথোকপা হৌখ্রে।

জিলা অসিগী মনুং চনবা মফমশিংদা লৈবা নেসনেল হায়ৱে, ষ্টেট হায়ৱে, ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমদি ভিলেজ রোড য়াওনা ফুট পাটনচিংবা মফমশিংদা আইনগী ৱাংমদা শাজিল্লিবশিং তকথোকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হৌখিবা জলাই মরিদা ওর্দর অমা থোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং ফাওবগী মনুংদা শাজিল্লিবশিং লৌথোকবা মতম থাখিবনি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা খক নত্তনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু আইন কায়না শাজিল্লিবশিং তকথোকবগী থৌরাং পায়খৎপা লৈখ্রবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরগী চিং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চখ্তরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা মফৌ দাম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইথম উয়োক চিংগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্তবদা নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে। মদুগী মনুংদা-সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী নোংমৈ মরু অনি, থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অনি, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, বাউফেং আর.এস. রেদিও ৱয়ারলেস সেট অমা য়াওনা পোৎলম কয়া ফংলে।

অমরোমদা, ইন্টিলিজেন্স বেস কোম্বিং ওপরেসন অমদি কোরদোন এন্দ সর্চ ওপরেসন চখ্তবদা প্রিপাক (ভি.সি. রেড আর্মি) গী মীওই অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট

জিলাগী মহারাবিদগী ফারে। মীওই অদু জিলা অসিগী কদাংবন্দ পার্ট টু অৱাং লৈকাইদগীনি। মঙোন্দগী চে-চাং খরসু ফংখি। মীওই অসি ম্যান্মারদা নুমিৎ ৪৫ নিগী ওইবা মিলিটরি ত্রেন্নিং লোয়দুনা ম্যান্মারদা হান্না লুপ অসিগী থবক তৌরমখি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোকশিংদনা সোরেপাগী মীওহ্ অনি অমসুং কে.সি.পি. (অপুনবা) গী মীওই অমা ফারে। সোরেপাগী মীওই অনি অদু ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা উমাথেলদগী ফাখিবনি। মখোয় অনিমক ককচিং খুনৌ উমাথেল অৱাং লৈকাইদগীনি হায়রি। কে.সি.পি. (অপুনবা) গী মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মফৌ দাম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইথম থোং মনাক্কী মোইরাংপুরেল খুনৌদগী ফাখিবনি হায়রি। মীওই অদু ইথম মনিং লৈকাইদগীনি। কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী মীওই অনি অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখিবগা লোয়ননা প্রিপাক (প্রো) মীওই অমা ফাখি হায়নসু পুলিসকা পাউনা মখা তারি।

**লেন্দস্লাইদ (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নোনে জিলাগী লুৱাংচুং অমসুং রাংখু খুলগী মরক্তা ঙরাং নুমিদাং চীং নিংখায়রকপদগী গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-এ.দি.সি.আই. কম্পানিনা স্ক্রাবেটর অমদি মথ দম্পর ত্রকশিং শিজিন্নদুনা লম্বী শেংদোকপগী থবক চথরি। লম্বীগী নাকল অনিমক্তা হৌজিক গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈরি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা হোমষ্টে ওন্টরপ্রেনুয়রশিংগী ওইবা নুমিৎ মঙানিগী কেপাসিতি বিল্ডিং ৱার্কশোপ ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

ৱাকশোপ অসি মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ টুরিজমনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা টুরিজম দাইরেক্তর-শ্রী

লৌরেম্বম বিক্রমনা হায়-হোমষ্টে চলাইবনা লম কোইবশিংদা লমদম অসিগী চৎনবীশিং খঙহনবদা চাউনা মতেং ওইরি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী মহৌশাগী ওইবা ফজবা অমদি ইনাক খুল্লবা হেরিটেজশিং খঙহনদুনা টুরিজমগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিনবা ঙমহল্লগনি।

**পিএমঃ** পধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক লৈবাক অসিগী মীওই লিশিং ৫১ হেনবদা এপোইন্টমেন্ট লেটরশিং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা য়েন্থোক্কনি। থৌরাং অসি রোজগার মেলা ইনসিয়েটিবকী মখাদা পায়খৎপনি। ১৬ রক শুবা রোজগার মেলা অসি লৈবাক অসিগী মফম ৪৭ তা পাঙথোক্কনি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা এপোইন্ট লেট্টর ফংলবা মীওইশিংদসু ৱা ঙাংগনি। রোজগার মেলাগী মখাদা থবক খল্লবা মীওই লিশিং ৫১ হেনবা অসি তোঙান তোঙানবা কেন্দ্র সরকারগী মখাদা লৈবা মন্ত্রালয় অমদি বিভাগশিংদা থবক তৌনবা খনবনি। মদুগী মনুংদা রেলৱে মন্ত্রালয়, গৃহ মন্ত্রালয়, দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্ট, হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়, ফাইনান্সিয়েল সাভির্সেস বিভাগ, লেবর অমদি ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয় য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগ অমদি মন্ত্রালয়শিং য়াওরি।

**বোম্বুলাঃ** রিভিন্যু ইন্টিলিজেন্স বিভাগনা আইনগী ৱাংমদা পুশিল্লকপা লুপা কোতি ৩৫ রোমগী চাইনানা শাবা বোম্বুলা ফারে।

ওপরেসন ফয়ার ত্রেলগী মখাদা ফারবা বোম্বুলাশিং অদু মেত্রিক টোন ১০০ লুম্মী হায়রি। পোৎলমশিং অদু য়ুমগী লৈতেং ওইনবা খুৎশেমগী পান্বীশিং য়াওনা প্লাষ্টিকনা শাবা পোৎলমনি হায়না পুরকখিবনি হায়রি। কারসেস য়ুনিট কৌবা মপান লমদগী ৫ পাৎ-চৈ পুশিল্লকপগী থবক তৌবা য়ুনিট অসিনা পুশিল্লক্লিবা বোম্বুলাশিং অদুগী মনুংদা খরা অমদি গুজরাটতা লৈবা কন্দালা স্পিপসিএল ইকোনোমিক জোনগী খুত্থাংদা পুরকখিবনি হায়রি।

মরক অসিদা, দিল্লি পুলিসনা দিল্লিদা সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোর্ম অমদি ই-কর্ম্মস প্লেটফোর্মশিংদা ওন লাইনগী খুথাংদা বোম্বুলাশিং য়োনবা খুদক্তগী লেপহন্নবা মরি লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

**দিআরদিওঃ** ভারতনা শাজবা অস্ত্রা মীসাইলগী ফ্লাইট টেষ্ট মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) অমদি ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সনা চাংয়েং অদু উরিষ্যাদা পাঙথোকখিবনি। ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী সুখোই থারতি এম.কে. আইদগী অস্ত্রা মীসাইল অনি কাপ্তুনা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুদা মীসাইল অনিমক টার্গেট চপ চানা পানখি হায়না ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়রি। লৈবাক অসিনা শাজবা ইয়ার টু ইয়ার মীসাইল অসি মীৎনা উবা ঙম্বা অরাপ্পদগী হেনবা মফমদা লৈবা টার্গেটশিং ইরাই লায়না থুগায়বা ঙম্বা কিলোমিটর ১০০ হেন্না শানবা মীসাইলনি। মীসাইল অসিদা নেভিগেসন সিষ্টেম য়াওনা খ্বাইদগী নৌবা টেকোলোজিশিং য়াওরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ইং-তপ্পা হনজিল্লকবগী পান্দমদা সেন্ত্রেল গভরমেন্টনা কুকি অমদি মীতৈ পুন্না লাক্লিবা নবেম্বর নৎত্রগা দিসেম্বরদা ৱারী শানবগী থবক পায়খৎলকপা য়ানা লৈরে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা পাউ ওইরি।

দোন্নর মিনিষ্ট্রিগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং লোয়শিন্নবা গভনরনা ওফিসিএলশিংদা পাডতাক পীখ্রে হায়বা পাউ, পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমীগী দাইরেক্তরগী সার্ভিস মতম

শাংদোক্কদ্রা নৎত্রগা কথক কেন্দ্রগুমা অনৌবা দিরেক্তর খনগদ্রা হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। দোন্নর মিনিষ্ট্রি অমসুং গভনরনা প্রোজেক্টশিং রিভিয়ু তৌখ্রে।

রাজ ভবনদা গভনর ইন কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে। আর.এস.এসকী মোহোন ভগবতনা চহি ৭৫ শুরবদি পোলিটিক্সতগী পোত্থগদবনি হায়রকপদা নরেন্দ্র মোদিদা মীৎয়েং থমরক্লে হায়বা পাউ অমনা বোক্স আইটেম ওইনা হুইয়েন লানপাউগী লমাইদা ফোংবা থেংনরে। মসিগা মান্নবা পাউ-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে। কংলাগী অকোইবদা ত্বিন বিনশিং খিনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা পাউ ওইরি। থাংজম মনোরামা লৈখিদবা নীংশিংখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে।

এম.ঐচ.এনা করি খোঙথাং লৌখৎলি হায়বা খঙবা ঙমদ্রি, কুকি মিলিটেন্ টশিংগা ফম্মীন্নরগা কৈদৌনুংদা ৱারী শান্নরোই হায়বা অমুকোগী ৱাফমনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা পাউ ওইরি। ইফমগী ১৬ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

দোন্নরগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং য়াংশিন্নবা গভনরনা ওফিসিএলশিংদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা পোকফম পাউচেগী অহানবা পাউ ওইরি। য়েলহৌমী কনবদি রিজনেল পার্টি খক্তনা ঙমগনি হায়বা পাউ অমসু পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।